**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-05-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১২-০৫-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

১) ভারত লান্মীগী মিলিটরি ওপরেসনগী দাইরেক্তর জেনরেল, লেফ্টনেন্ট জেনরেল রাজিভ ঘাইনা হায়রি-ওপরেসন সিন্দুরগী মখাদা পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তাননা খুদুম চনবা জম্মু কাশ্মিরদা চথখিবা এত্তেক্টতা টেরোরিষ্ট ১০০ হেন্না হাৎখি।

২) ভারত-পাকিস্তান লানদা মণিপুরদগী বি.এস.এফ জৱান অমা লৈখিদ্রে।

**অমসুং**

৩) ঐখোয়গী নর্সশিং, ঐখোয়গী তুংগী লন্দ্বী-নর্সশিংবু নিংথিনা য়েংশিনদুনা শেন্মীৎলোনগী মপাঙ্গল ফাগৎহনবা হায়বা হিরমদা মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

------

**এত্তেক্টঃ** ভারত লান্মীগী মিলিটরি ওপরেসনগী দাইরেক্তর জেনরেল, লেফ্টনেন্ট জেনরেল রাজিভ ঘাইনা হায়-ওপরেসন সিন্দুরগী মখাদা পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তাননা খুদুম চনবা জম্মু কাশ্মিরদা চথখিবা এত্তেক্টতা টেরোরিষ্ট ১০০ হেন্না হাৎখি।

নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দাইরেক্তর জেনরেলনা হায়-পুলৱামা এত্তেক্ট অমসুং আই.সি আইট ৱান ফোর হায়জেক্ট তৌবদা চেন্নবা য়ুসুফ আজার, অব্দুল মালিক রোফ অমসুং মুদাসির অহ্মদনচিংবা মীওইশিং ফাখি। মহাকা হায়-টেরোরিষ্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, অমদি লম হেনবশিং দন্দী পীনবা পান্দমদা ওপরেসন সিন্দুর পাঙথোকখিবনি। ঙমখৈগী ৱাংমদা লৈবা টেরোরিষ্টশিংগী কেম্প অমসুং ত্রেনিংগী মফমশিং নিংথিনা খঙদোক্লবা মতুং ওপরেসন সিন্দুর পাঙথোকখিবনি। মহাকা হায়-পাকিস্তানগী মিলিটরি ওপরেসনগী দাইরেক্তর জেনরেলগা ঙসি নুমিৎ য়ুংবদা ৱারি শান্নগনি। মহাকা হায়-পাকিস্তানদা হোটলাইন মেসেজ থাদুনা করিগুম্বা নোংমৈ কাপদবগী য়ান-ৱারোল থুগাইরকপা তারবদি মসিগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি।

**ডেদ(এল) ঃ** ভারত-পাকিস্তান লানদা মণিপুরদগী বি.এস.এফ জৱান অমা লৈখিদ্রে। জৱান অসি জম্মু এন্দ কাস্মিরগী আর.এস.পুরা সেক্তরদা মথৌ তৌরিঙৈদা পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা শোক্তুনা লাইকন্নদুনা লৈরকপনি। শোকপদুনা মরম ওইরগা য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী চিঙাখম দিপক ঙরাং লৈখিদবনি। মহাকা লৈখিদবদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুঙাইতবদা ফোঙদোরক্লি। সোসিএস মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা-শ্রী বিরেননা হায়-মহাক অসি মণিপুরগী চাউথোকচনিঙাই ওইবা মচানি। মণিপুরী মৈতৈ অমা ওইনা লৈবাক অসিগীদমক থৌনা ফনা কত্থোকখিবা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামা লৈবাক অসিবু ঙাক শেন্নবগীদমক মতম চুপ্পদা লেপ্লি হায়বদু উৎলি। আর্ম ফোর্সেসশিংগী থৌনা অমদি কত্থোকপবু মতম লৈবা খিবিক্তা ইকাই খুমবা উৎলি। কন্সতেবল দিপকনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়নননা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। মহাকা লৈবাক অসিগীদমক কত্থোকখিববু ইকাই খুমবা অমসুং চাউথোকচবগা লোয়নননা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

**প্‌লিস (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা ফাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

অককবা পাউগী মতুং ইন্না মফম কয়াদা মীওইশিং অসি ফানবা থিবা হুন্দবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ ৱাতর সপ্লাই কমপ্লেক্সতগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে। মহাক দুকান, সরকারগী কর্মচারি অমদি অতৈ মীওইশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। মঙোন্দগী দিমান্দ লেতর ৯ ফংলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই অঙোম লৈকাইদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ঙরাং ফাগৎপা ঙমখি। মহাক ইম্ফালগী অকোইবদা লৈবা ওইল পম্পশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লিলোং উশোইপোকপীদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফাখি। মহাক থৌবাল জিলাদা লৈবা মীয়াম, চেকোন, সো মিল, বেঙ্ক, হোস্পিতাল, স্কুল, কোলেজ, ওইল পম্প, দুকান অমসুং স্তোন ক্রসরগী কোন্ট্রেক্তরশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হুরানখিবা গারিশিং মণিপুর পুলিসনা ফাগৎপা লেপত্রি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা চত্থখিবা অখন্নবা দ্রাইভ অমদা মণিপুর পুলিসনা গারি অনি ফাগৎপা ঙমখি। মসিগী মথক্তা গারি ৪৮দগী তিন্তেট গ্লাস লৌথোকখ্রে। অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টুদা তঙাইফদনা চংবা গারি ৩৯৮ পুশিল্লকখ্রে।

**বোসেম(এল) ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মনিপুরদা লৌবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা ঙসি হায়দোক্লগনি। ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বোসেমগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পরিক্ষা অসি হায়দোক্কনি।

কুমসি চহীগী ওইনা বোর্ডনা লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা ফেব্রুৱারি ১৯ দগী মার্চ ৭ ফাওবা পাঙথোকখি। পরিক্ষা অসিদা মহৈরোই লিশিং ৩৭,০৫২ না পরিক্ষা থাখি। মসিগী মনুংদা নুপা মহৈরোই লিশিং ১৮,৪৬০ অদুগা নুপী মহৈরোইনা লিশিং ১৮,৫৯২ নি। চীংগী জিলাদা সেন্তর ৬২ য়াওনা পরিক্ষা অসি পুন্না সেন্তর ১৫৫ পাঙথোকখি।

**ডে(এল) ঃ** মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গলগী মপোক নুমিৎপু নিংশিংদুনা অমসুং নর্সশিংনা সমাজ অসিগী য়াইফনবা লৌরিবা থৌদাংবু নিংশিংদুনা নর্সকী নুমিৎ পাঙথোক্লি। কুমসি চহীগী হিরমনা ঐখোয়গী নর্সশিং, ঐখোয়গী তুংগী লন্বী-নর্সশিংবু নিংথিনা য়েংশিনদুনা শেন্মীৎলোনগী মপাঙ্গল ফাগৎহনবা হায়বসিনি। মণিপুরদসু রিমস নর্সসেস এসোসিএসননা শিন্দুনা লম্ফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা রিমসকী জ্বিলি হোলদা পাঙথোক্কনি। মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎনা লাকপদা নর্সশিংগী থৌদাংবু ইকাই খুমবা উৎপগা লোয়ননা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**নোনে(এল) ঃ** প্রোসিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিয়েজ এক্ট ২০০৬ কী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং নোনে জিলাগী চারোই তুপুলদা লৈবা এস.দি.এ চর্চতা পাঙথোকখ্রে । বাল বিভাহ মুক্ত ভারতকা মরি লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোতেক্সন নোনে অমসুং ৱান স্তোপ সেন্তরগা পুন্না শিনবনি।

**পুর্নিমাঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি বুধ পুর্নিমা পাঙথোক্লি। বুধ পুর্নিমা অসি ভুদধ জয়েন্তি নত্রগা ভেসাক হায়না পাঙথোকৈ। নুমিৎ অসি ভুদিজমগী ওইনা খ্বাইদগী শেংবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম মরুওইনা বুধিজম চৎপা মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-ভগৱান বুধগী মুৎনাইররোইদবা পাউজেল নুংশিবা অমসুং থৌজাল হৈবা, অমদি অহিমসাগী ৱাখল্লোন অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা মরুওইবা মন্ত্র অমা ওইরগনি।

উপ জগদিভ ধনখরনসু বুধ পুর্নিমানা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**খেল্লোঃ** বিহারনা য়ুন্সু ওইদুনা চথরিবা ৭ শুবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসকী মেদল তেল্লিদা মণিপুর সনাগী ৬, লুপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ১৪ ফংদুনা ৮ শুবা মফমদা লৈরি। মণিপুরগী সনাগী তকমানশিং অদু সেপাক ত্রাক্রৌ, জ়দো অমসুং ৱেটলিফতিংদা ফংখিবনি। মহারাস্ত্রনা সনাগী ৩০ য়াওনা পুন্না তকমান ৮০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা, কর্নাতকনা সনাগী ১৪ য়াওনা পুন্না তকমান ৪২ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং রাজস্থাননা সনাগী ১২ য়াওনা পুন্না তকমান ২৪ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। ঙসি গয়াদা লৈবা বিহার ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং রুরেল দেভলপমেন্ট গ্রাউন্দদা থাং-তা হৌরগনি। চাংদমবা অসি য়ুমশকৈশ নুমিৎ
ফাওবা চথগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লুচিংবশিং পুনশিন্দ্রবদি মীয়ামগী ইহৌ লাকপদা থেংনবা ৱাগনি হায়বা এম.পি সনাজাওবগী ৱাফম সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মতম শাংনা পি.আর থমজিনবনা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়বা সব-হেদলাইন অমসু পীরি।

পোকফমদনা থা অমা অনিগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট অমুক হন্না শেল্লগনি থাজে হায়বা এম.পি লৈশেম্বা সনাজাওবগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হেক হৌরকপদা হেন্না কন্না খূৎ হনগদবনি হায়বা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইন্দিয়ন মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি ময়েক শেংনা উখোক্লে হায়বা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথকী ৱাফমনা পাউ অসিগী সব-হেদলাইন ওইনা পীরি।

মণিপুরদা পুশিল্লকপা য়ুরিয়া য়াওনা অতৈ হারশিং দিলর খরনা লৌ উবা লৌমী নত্তবা মীওইশিংদা অহেনবা শেন্দোংগীদমক ফংহনবা য়াওরব্রা হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লৈঙাক শেমনবা কুকি এম.এল.এশিংনা মখোয়গী লৈরিবা সি.এস.ওশিংগা ৱা তানগদৌরি হায়বা এজেন্সীগী রিপোর্ট অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদগী বি.এস.এফ কন্সতেবল অমা পাকিস্তাননা লানদারকপদা লৈখিদ্রে- হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা-আই.সি আইট ৱান ফোরগী হায়জেকরশিং, পোলুৱামা এত্তেক্তা চেন্নবশিং য়াওনা টেরোরিষ্ট ১০০ ওপরেসন সিন্দুরদা হাৎখ্রে হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-নুমিৎ মরিনি চুপা চত্থরকপা নাগা কনক্লেভ সেনাপতিদা লোইশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা কুকি জো এম.এল.এশিং অমদি সি.এস.ওশিং মে ১৯ দা শান্তিগী ৱারি শান্নগদৌরি হায়বা পাউ অমসু ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা-নোনে দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন মপুং ফানা থবক তৌহন্নবগীদমক দাবী কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা লোংমাই পৈ অমদি লোংমাই ভিলেজ ওথোরিতিনা মণিপুরগী গভর্ণরদা পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা-তামেংলোং জিলাদা লৈবা চর্চশিংদা মাদরস ডে থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**